# ইটালিনা স্বিটজরলেন্দ থোইদুনা নোক আউট রাউন্দ য়ৌখ্রে, য়ুক্রেননা নোর্থ মেসিদোনিয়াবু ২-১দা থোইখ্রে



রোম, জুন ১৭ (এজেন্সী):
ইটালিনা স্বিটজরলেন্দবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা গ্রুপ এদগী অহানবা টিম ওইনা য়ুরো ২০২০গী নোকআউটরাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে। গ্রুপ সীগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদনা য়ুক্রেননা নোর্থ মেসিদোনিয়াবু ২-১দা থোইবা ঙমখ্রে।

গ্রুপ এগী ঙসি নোংঙাল্লমদাইদা শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইটালিনা স্বিটজরলেন্দগা লম্বা তৌনখিবনি। রোমগী ওলিম্পিক ষ্টেদিয়মদা য়ূম্বু ওইখিবা ইটালিনা স্বিটজরলেন্দগী মায়োক্তা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। শান্নবগী ২৬শুবা মিনটতা দোমেনিকো বেরার্দিনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট মেন্যুএল লোকাটেলিনা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা স্বিটজরলেন্দবু মাঙজিল থাখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা স্বিটজরলেন্দগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

মেটচকী অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিবৈঙে মিনট ৭ চঙশিল্লকপদা মখা তানা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা মেন্যুএল লোকাটেলিনা অমুক্কা হন্না মহাক্কী টিমমেট নিকোলো বেরেলানা পীরকপা বোলদা ইটালিগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

মেটচ অদুগী মখা চত্থরকপা স্বিটজরলেন্দনা ফনা কন্না হোৎনরবসু পাঞ্জল অমফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিবৈঙে শান্নবগী ৮৯ শুবা মিনটতা রাফেল টোলোইনা পীরকপা পাস অমদা সিরো ইমোবিলনা ইটালিগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা স্বিটজরলেন্দবু মায়থীবা পীরগা গ্রুপ এদা মেটচ অনী শান্নবদা অনীমক মায় পাক্লগা পোইন্ট ৬ ফংদুনা নোকআউট ষ্টেজগীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি।

ঙসি হঙ্গেরিগী কোনুং বুকারেষ্টতা শান্নখিবা য়ুক্রেন অমসুং নোর্থ মেসিদোনিয়াগী গ্রুপ সীগী মেটচ অদুদা য়ুক্রেননা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। শান্নবগী পুংখায় ফাদ্রিবৈঙে ২৯শুবা মিনটতা এ কারাভিয়রনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট এ য়ার্মোলেনকোনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। নোর্থ মেসিদোনিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিবৈঙেদা য়ুক্রেনগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা এ য়ার্মোলেনকোনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট রোমান য়ারেনচুকনা ৩৪শুবা মিনটতা য়ুক্রেনগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নরকপা ৫৭শুবা মিনটতা নোর্থ মেসিদোনিয়াগী মায়কৈদগী ফংখিবা পেনাল্টি অমা ইগজান এলিয়াস্কিনা পাঞ্জল চল্লগা মেটচ অদু মখোয় ১-২দা মায়থীখি।

ঙসি অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা বেলজিয়মনা দেনমার্কপু পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা মখোয়সু নোক আউট ষ্টেজ য়ৌখ্রে। অহানবা পাঞ্জল দেনমার্ককী পোলসেননা চনখি। অদুগা বেলজিয়মগী মায়কৈদগীনা থোরগান হাজার্দ অমসুং কেভিন দি ব্রুননা অমমম্ চনখি।

# পুখ্রম্বম সুশিলা য়াওবা টোকিও ওলিম্পিককীদমক ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ১৬কী হোক্কী টিম খনখ্রে

বেঙ্গলুরু, জুন ১৭ (এজেন্সী):
এক্সপরিয়েন্স লৈরবা মণিপুরগী হোক্কী শান্নরোয় পুখ্রম্বম সুশিলা য়াওবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়ারুগদবা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমগী শান্নরোয়শিংগী মমিং ঙসি লাউথোকখ্রে।

জুলাই ২৩দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী শান্নরোয় ১৬ অসিদা তঙ্খায় অমদি অহানবা ওইনা ইন্দিয়াগী সিনিয়র টিমনা ওলিম্পিক শরুক য়াবদা য়াওগদৌরিবনি। অদুগা অতোপ্পা ৮ অমনা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা ২০১৬ রিও ওলিম্পিক গেমস শরুক য়ারুবা শান্নরোয়শিংনি।

কোচ সিওর্দ মারিনেনা হন্দক্কী লাউথোকখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ১৬কী মমিংশিং অসি নহা ওইরিবা অমদি এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোয়শিংগী অপূনবা টিম অমা ওইরি। কোচ অসিনা মখা তানা রানি রামপালবু কেপ্টেন ওইনা খনখি।



অহানবা ওলিম্পিক শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয় ৮ অদুদি গুরজিট কোর, উদিতা, নিশা, নেহা, নবনিট কোর, সর্মিলা দেবী, সালিমা তেতে অমসুং মিজোরামদগী লালরেমস্যামিনি। লোয়ননা রিও ওলিম্পিক্সতা শরুক য়ারুরবা অতোপ্পা শান্নরোয়শিং অদুদি গোলকিপ্পর সবিতা, কেপ্টেন রানি রামপাল, দিপ গ্রেস ইকা, পুখ্রম্বম সুশিলা চনু, মোনিকা, নিকি প্রধান, নবজোট কোর অমসুং বন্দনা কটারিয়ানি।

ইন্দিয়ানা নুপীগী হোক্কীদা কুমজা ১৯৮০দা মোস্কোদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা অহানবা ওইনা শরুক য়াখি। মদুগী মতুং চহী ৩৬ লৈরগা ২০১৬ রিও ওলিম্পিক গেমসতা অনীরকশুবা ওইনা য়াওবা ঙমখি। অদুগা টোকিও ওলিম্পিক্সতা অহুম্লক শুবা ওইনা শরুক য়াগদৌরিবনি।

রিও ওলিম্পিক গেমস লোইখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী টিম অসিনা হান্না লৈরম্বা ফীভমদগী হেন্না ফগৎপা ঙমদুনা মকোক-মথং তাবগী পরিংদসু ৯শুবা পোজিসনদা লৈরি।

কোচ মারিনেনা মখা তারদুনা টিম অসিনা হৌখিবা চহী খরা অসিদা য়াম্না কন্না হোৎনরি। এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোয়শিং অমদি নৌনা মখোঙ য়াঙবা শান্নরোয় কয়া অমগা পূনশিন্দুনা মালেমগী মকোক থোংবা টিমশিংগা ওলিম্পিক গেমস অসিদা লম্বা তৌননবা ইন্দিয়াগী টিম অসি শেম শাদুনা লৈরে হায়না ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৮দা অজেন্টিনাগী সিটি বুইনোস আইরেসতা পাঙথোকখিবা য়ুঠ ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী নুপীগী টিমনা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখি। মদুদা টোকিও ওলিম্পিক শরুক য়াগদৌরিবা সালিমা তেতেনা কেপ্টেন ওইখিবনি। ইন্দিয়াগী নুপীগী সিনিয়র টিমনা কুমজা ২০১৭ এসিয়া কপতা সিলভর ফংবা ঙমখি। মদুগী চহী ১গী মাংওইননা এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফি টাইটল লৌবা ঙমখি। অদুগা কুমজা ২০১৮দা ইন্দোনেসিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গেমসতসু সিলভর মেদল লৌবা ঙমখি। টিম অসি হৌজিক-হৌজিক বেঙ্গলুরুগী সাই সেন্টরদা ট্রেনিং চত্থরি।

# য়ু এস ওপন ২০২১দা ভাবোক চাদা ১০০ মীৎয়েং তাহনবগী খোঙথাং লৌখৎলি



ন্যু য়োর্ক, জুন ১৭ (এজেন্সী):
কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা চহী ১ য়েথোক্লুরবা গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ওগষ্ট ৩০দগী সেপ্টেম্বর ১২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা ভাবোক চাদা ১০০ মীৎয়েং তাহনবগী খোঙথাং লৌখৎলি হায়না য়ু এস টেন্নিস এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ৱাফম অসি ঙসি য়ু এস টেন্নিস এসোসিএসননা লাউথোকখিবগা লোয়ননা জুলাই থা হৌরকপদগী কোর্ট অমসুং গ্রাউন্দগী মনুংদা চঙবা য়ানাবা টিক্কেট পূম্নমক য়োনবা হৌরগনি হায়রি।

ন্যু য়োর্ককী গভর্ণর এন্দ্রু কুওমোনা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা লাউথোকখিবদা চাদা ৭০ হেনবা এডল্টশিংনা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন য়ামদ্রবদা দোজ অমমম্ ফংলবা মরম্না সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোনশিং অদু কোমথোকপা হৌরগনি হায়খিবনি। নাকল অমরোমদা, বাস্কেটবোল মশান্নগী ওইনা লৈরিবা ন্যু য়োর্ক মেটসনা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা ফোঙদোকখিবদা মখোয়গী মেটচশিং অদু শান্নবদা ষ্টেদিয়মশিং অদুদা ভাবোক মপূং ফানা মীৎয়েং তাহল্লগনি হায়রি।

কুমজা ২০২০দা য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অদু কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা ভাবোক অমত্তা য়াওহন্দনা শান্নখি। কুমজা ২০১৯দা য়ু এস ওপন টুর্নামেন্ট অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই লাখ ৭ লোম্না টুর্নামেন্ট অদু মীৎয়েং তাখি।

# এ এফ সী এসিয়ন কপকীদমক টিম ২২না অরোইবা ক্বালিফায়িং রাউন্দ শান্নরগনি

ক্বালা লুম্পুর, জুন ১৭ (এজেন্সী):
কুমজা ২০২৩দা চাইনানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সী এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকীদমক শান্নগদবা অরোইবা ক্বালিফায়িং রাউন্দগী টিম ২২ খনগৎপদা ইন্দিয়াসু য়াওখ্রবনি।

মমাংদা ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২ অমসুং এ এফ সী এসিয়ন কপ চাইনা ২০২৩গী অপূনবা প্রিলিমিনরি ক্বালিফায়িং রাউন্দ শান্নবা লোইশিনখিবগা লোয়ননা অরোইবা ক্বালিফায়িং রাউন্দগীদমক টিম ২২ খল্লকপনি।

য়ূম্বু ওইগদৌরিবা চাইনা অমসুং মমাংগী চেম্পিয়ন কটারদি ম্যেন কম্পিটিসন অদুগীদমক্তা মাংজেৌননা ক্বালিফাই ওইখ্রবনি। কুমজা ২০২৩গী জুন ১৬তগী জুলাই ১৬ ফাওবা চাইনানা য়ূম্বু ওইরগা এসিয়ন কপ অদু পাঙথোক্কদৌরিবনি।

অরোইবা ক্বালিফায়িং রাউন্দ অসি লেগ অনী থোক্না সেপ্টেম্বর ৭ অমসুং ওক্টোবর ১২দা শান্নগনি। অদুগা করম্বা টিমনা কনাগা শান্নগদগে হায়বদুগী দ্রো থা অসিগী ২৪দা পাঙথোক্কদৌরি।

ফাইনেল রাউন্দগীদমক্তগা শান্নগদবা টিমশিং অদুদি- টাজিকিষ্টান, উজবেকিষ্টান, কুৱেট, বাহরেন, তুর্কমেনিষ্টান, জোর্দান, পেলেষ্টাইন, মালেসিয়া, ফিলিপিন্স, কির্গিজ রিপব্লিক, ইন্দিয়া, থাইলেন্দ, সিঙ্গাপোর, মোঙ্গোলিয়া, অফঘানিষ্টান, হোং কোং, মালদিভস, স্রি লঙ্কা, নেপাল, ম্যান্মার, য়েমেন অমসুং বাংলাদেশনি। লোয়ননা ইন্দোনেসিয়া, কম্বোদিয়া, চাইনিজ টাইপৈ অমসুং গুৱামনা ক্বালিফায়র প্লে ওফতা লম্বা তৌনগদৌরি। মখোয় ৪গী মনুংদা ২ খনগৎকনি।

# এ এফ আই অমসুং জেবলিন কোচকা য়েৎনবনা শান্নরোয়শিংদা অকায়বা পীরকপা য়াই

ন্যু দেল্লী, জুন ১৭ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী নেসনল জেবলিন থ্রো কোচ ওইরিবা উৱে হোন অমসুং এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মরক্তা চয়েৎনবা লৈরিবা অসিনা শান্নরোয়শিংদা অকায়বা পীরকপা য়াই হায়না মমাংদা জেবলিন থ্রোগী কোচ ওইরম্বা কাশিনাথ নায়কনা ফোঙদোরক্লি।

টোকিও ওলিম্পিক গেমস হৌগদবা নুমীৎ ৪০নি ফাজিল্লক্ত্রবা অসিদা কোচ অমদি এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা চয়েৎনবা থল্লকপা অসিনা ওলিম্পিক্সকীদমক শেম শারিবা ইন্দিয়াগী এথলিটশিংগী ৱাখলদা অকায়বা পীরকপা য়াই হায়না কাশিনাথ নায়কনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

কোচ উৱে হোন অমসুং জেবলিন থ্রোৱরশিংগী মরক্তা অমনা অমবু লাল্লি হায়না মরাল শীনদুনা লৈরি। নীংশিংবা য়াই, মমাংদা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙল্লম্লবা জর্মনি মচা হৌজিক-হৌজিক্কা ইন্দিয়াগী কোচ ওইরিবা উৱে হোননা কুমজা ২০১৭কী নবেম্বর থাদগী ইন্দিয়াগী জেবলিন থ্রোগী কোচ ওইদুনা লাকখিবনি। মহাক হৌজিক-হৌজিকথা অমদা লুপা লাখ ৬ লোমগী তোলোপ পীদুনা লৈরিবনি। মহাক্কী কন্ট্রেক্ট অসি চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থা ফাওবা লৈরি।

কোচ অসিনা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না ওলিম্পিক য়াওগদবা ইন্দিয়াগী জেবলিন থ্রোৱর শিবপাল সিংহ য়াওনা অতোপ্পা মকোক থোংবা জেবলিন থ্রোৱরশিং ওলিম্পিক্সকী শেম শাবদা মতীক চানা এক্সপোজর অমদি চান-থক্লবগী সপ্লিমেন্টৱাৎপনা শেম শারিবা অদু মতীক চাদে হায়না এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াবু মরাল শীরি।

টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ফোরেনদা এক্সপোজর টুর চৎপা হায়বসি য়াম্না তঙাইফদবনি। মদু নৎত্রবদি শান্নরোয়শিং অদুনা লম্বা তৌনবা মতমদা মখোয়গী মতীক চাবা পর্ফোর্মেন্স অদু উৎপা ঙম্লোইদৌরিবনি। মদুগী মাংওইননা ইন্দিয়াগী নুপীগী জেবলিন থ্রোৱর অনু রানী য়াওনা কোচ উৱে হোনগী মথক্তা মরাল শীরদুনা মহাক্না ফোরেন এক্সপোজর টুর চৎপা পাম্লিবা অসি অতোপ্পা লৈবাকশিংগী এথলিটশিংবুসু ট্রেনিং পীরি। লোয়ননা ইন্দিয়াগী এথলিটশিংবুদি কা-হেন্না মীৎয়েং চঙবীদে হায়বগী ৱাফম থল্লকপনি। অদুবু কোচ উৱে হোননদি এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া নৎত্রগা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী অয়াবা য়াওদনা মহাক ৱা ঙাংথোকপা য়াদে। মরম অদুনা মহাক্কী মায়কৈদগী কম্মেন্ট পীবসু লৈতে হায়রি।

# চহী ১৬কী মতুংদা সর্জিও রামোস রিয়াল মাদ্রিদতগী পোত্থাখ্রে



মাদ্রিদ, জুন ১৭ (এজেন্সী):
মালেমগী ওইনা মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা স্পেনগী রিয়াল মাদ্রিদকী য়াম্না মরুওইবা শান্নরোয় অমা ওইখিবা সর্জিও রামোস ক্লব অসিদা চহী ১৬ শান্নরবা মতুং পোত্থাখ্রে।

দিফেন্দর অমা ওইনা সর্জিও রামোসনা রিয়াল মাদ্রিদতা শরুক য়াদুনা ক্লব অদুবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎলকখি। মহাক্না শান্নরিবৈঙে মতমদা রিয়াল মাদ্রিদনা ট্রোফি ২২ লৌবা ঙমখি। রামোসনা ক্লব অদুগী অপূনবা মেটচ ৬৭১ শান্নখি। মদুগী মনুংদা পাঞ্জল ১০১সু চনবা ঙমখি।

রিয়াল মাদ্রিদ ফুটবোল ক্লবকী প্রসিদেন্ট ফ্লোরেন্টিনো পেরেজনা সর্জিও রামোসপু কুমজা ২০০৫দা সেভিয়া ফুটবোল ক্লবতগী য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন ৩২দা লৈখিবনি। মতম অদুদা হায়রিবা শেনফম অদু স্পেনদা দিফেন্দর অমা লৈবদা মমল খ্বাইদগী ৱাংখিবনি।

পেরেজনা ফোঙদোকখিবদা, সর্জিও রামোসনা রিয়াল মাদ্রিদ ফুটবোল ক্লবকী পুৱারীদা য়াম্না ময়েক শেংবা লিজেন্দ অমা ওইনা লৈহৌরগনি। মতম পূম্নমক্তা রিয়াল মাদ্রিদ অসি মহাক্কী ক্লবনি হায়না নীংশিংগদবনি হায়বা ৱাহৈ সর্জিও রামোসতা ফোঙদোকখি।

য়ুরোপকী চেম্পিয়ন ক্লব ওইরিবা রিয়াল মাদ্রিদ অমসুং সর্জিও রামোসকা মখা তাবা কন্ট্রেক্ট অদু শাংদোকখিদবদগী ক্লব অদুদগী সর্জিও রামোস পোত্থাখিবনি। মহাক অতোপ্পা ক্লবতা শান্নবগী মতাংদা ফোঙদোকপা লৈত্রি।

# জপান লৈঙাক্না টোকিও ওলিম্পিক্স থা ১ ৱাৎলিঙৈদা কোরোনাভাইরস ইমর্জেন্সি লৌথোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে

টোকিও, জুন ১৭ (এজেন্সী):
জপান লৈঙাক্না ঙসি ফোঙদোকখিবদা জুলাই ২৩দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসিগী মাংওইননা থা ১ ৱাৎলিঙৈদা লৈবাক অদুগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা কোরোনাভাইরস ইমর্জেন্সি থল্লিবা অদু লৌথোক্লগনি হায়খ্রে।

জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর য়োসিহিদে সুগানা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোক্লদুনা এপ্রিল থাগী লোইশিল্লকপদগী ইমর্জেন্সি থমখিবা অদু চৎলিবা থা অসিগী ২০দা লৌথোক্লগনি হায়রি। টোকিও সিটি অমদি অতোপ্পা মফম ৮দগী অথিংবা অসি লৌথোক্কদৌরিবনি। অদুবু ওকিনাৱা সিটিদদি ইমর্জেন্সি অসি অদুম্মক লৈখিগনি হায়রি।

মেথাগী ময়াই চনশিল্লকপদগী জপানদা অনৌবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মশীং হন্থরকখিবনি। লোয়ননা হোস্পিটালগী ফীভমশিং অদুসু ফগৎলকখি হায়রি। অদুবু অতোপ্পা মফম খরদদি অনৌবা কেস মশীং হন্থবগী চাং অসি তপ্পা মরম্না ইমর্জেন্সি থম্বা অদু মখা তাগদৌরিবনি। ইমর্জেন্সি অসিগী মহুৎতা ক্বাসি-ইমর্জেন্সি থমগদৌরিবনি। মসিগী মনুংদা য়ু য়োনবগী কাঙলোন অদু খরা কোমথোক্তুনা নুমিদাংৱাইরম পুং ৭ ফাওবা য়াহল্লগনি। অদুগা রেষ্টোরেন্ট অমসুং বারশিং নুমিদাংগী পুং ৮দা লোনগদবনি হায়রি।



হৌজিক লৈরিবা ইমর্জেন্সি অসিগী মখাদা শান্নফমশিংদা মীওই ৫,০০০ নৎত্রগনা চাদা ৫০গী ভাবোকশিং ওইহল্লম্বনি। অদুবু য়ুমশকৈশা নুমীৎতা লৈঙাক্না অয়াবা পীখিবদগী ৫,০০০গী মথক্তা ১০,০০০ ফাওবা লৈহনবা য়াহনগদৌরি। অদুবু হায়রিবা মশীং অসি অথিংবা লৈতবা শান্নফমশিংদা ওইগদবনি।

কাঙলোনশিং অসিনা ওলিম্পিক ওর্গনাইজরশিংদা খূদোংচাবা পীদুনা ওলিম্পিক গেমস অসি শান্নরকপা মতমদা জপান লৈবাক্কী ওইজবা ভাবোক মশীং কয়া মীৎয়েং তাবা য়াহনগদগে হায়বদু ফোঙদোকপা ঙমগদৌরিবনি।

মরক অসিদা, মেদিকেল প্রোফেসনেল খরনদি ওলিম্পিক্সতা ভাবোক মীৎয়েং তাহনবা অসিনা অনৌবা ৱেভ অমমুক লাকহল্লকপা য়াবগী তাঞ্জা লৈ হায়রি। মসিগী মরক্তা জপানদা ভেক্সিন কাপ্পগী চাং অসি হৌজিকফাওবদা অপূনবা মীশীং অদুগী চাদা ৬ খক্তমক মপূং ফানা ভেক্সিন কাপ্পা ঙম্লি। মমাংগী চহীদা য়োনখিবা টিক্কেটশিং অদুগী মতাংদা খন্নরকপদা হান্না টিক্কেট কক্খ্রবশিং অদুগী মরক্তা লোটরি সিষ্টম পাঙথোক্তুনা মীৎয়েং তাগদৌরিবা মীওইশিং অদু মশক খঙদোকপগী থবক অমা পায়খৎলবা য়ারি। অদুবু হায়রিবা থবক অসি য়েৎনবা কয়াদি লাক্কনি হায়না থাজনরি।

# ক্লবশিংনা ট্রান্সফর অমসুং লোনগী ফী পীবা য়ারগনি হায়রি

ইম্ফাল, জুন ১৭ (ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা মসিগী মখাদা লৈরিবা ক্লবশিংগী শান্নরোয়শিংনা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সফর অমসুং লোন চত্থবগীদমক্তা লুপা ২,৫০০গী শেনফমগী ফী অদু অম্ফাগী একাউন্টতা পীশিল্লক্কদবনি। অদুগা ফী পীশিনখিবগী দিপোজিট স্লিপ অদুনা এসোসিএসননা হংলকপা মতমদা অপলোদ তৌগদবনি হায়না জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা থাদোরকপা মেমোরেন্দম অমনা খঙহল্লক্লি।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী বেঙ্ক দিটেলসকী অকুপ্পশিং অদুদি - একাউন্ট মমিংদা All Manipur Football Association, SBI-Paona Bazar Branch, A/C No. 10383416076, IFSC - SBIN0007440, MICR - 795002004 নি।

দিষ্ট্রিক্ট এসোসিএসনশিংনা ইন্টর ক্লব ট্রান্সফর অমসুং লোনগী মতাংদা অম্ফাদা ফী থীবগী কাঙলোন অদু মখোয়না খূদোংচাগদবা মওংদা পীবা য়াগনি হায়রি। করিগুম্বা অম্ফানা মরী লৈনবা ক্লবশিং অদুদা হংলকপা মতমদা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিএসনশিং অদুনা ফী থীখিবগী দিপোজিট স্লিপ নৎত্রগনা কন্সেন্ট লেট্টরশিং অদু অপলোদ তৌরক্কদবনি হায়না ঙসি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# সুভো পোলগুম্বা টেলেন্ট লৈবা নহা কয়া অমা ইন্দিয়াদগী থোরকপা পাম্মী হায়না ক্লোজ ওজেনহেলরনা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুন ১৭ (এজেন্সী):
জর্মনিগী ফিফা ৱর্ল্ড কপতা টাইটল লৌবদা শরুক য়াখিবা ক্লোজ ওজেনহেলরনা ফোঙদোকখিবদা, জর্মনিগী ক্লব এফ সী বেয়র্ন ৱর্ল্ড স্কৱাদতা খনখ্রবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সুভো পোলগুম্বা অতোপ্পা নহা ওইরিবা টেলেন্ট কয়া ইন্দিয়াদগী পুথোকপা পাম্লি হায়খ্রে।

ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ইন্টরনেসনল প্লেয়র অমদি সুদেভা দেল্লী এফ সীগী ষ্ট্রাইকর সুভো পোলবু এফ সী বেয়র্ন ৱর্ল্ড স্কৱাদ শেম্নবগীদমক তোঙান-তোঙানবা লৈবাক কয়াগী শান্নরোয় খনগৎপদা মহাক য়াওখিবনি।


এফ সী বেয়র্ন ৱর্ল্ড স্কৱাদ অসিগী হেদ কোচ ওইনা ক্লোজ ওজেনহেলরনা থৌদাং লৌরিবনি। মহাক্না মখা তাখিবদা, জর্মনিগা য়েংনরুবদা ইন্দিয়া য়াম্না চাওবা লৈবাক অমনি। মরম অদুনা অফবা মতীক চাবা কোচশিং মশীং য়ামখৎলক্লবদি টেলেন্ট লৈবা নহা ওইরিবা ফুটবোল শান্নরোয় কয়া পুথোকপা ঙমগনি হায়না থাজবা থমখি। এফ সী বেয়র্ন ৱর্ল্ড স্কৱাদকী কোচশিংনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী নহা ওইরিবা শান্নরোয় ২,০০০ রোমগী ভিদিও সেম্পলশিং অদু এনালাইজ তৌরবা মতুংদা শুপ্নগী শান্নরোয় ১৫ খনগৎপদা সুভো পোল য়াওরকপনি।



হেদ কোচ অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, সুভোগী ফজবা মায়কৈ কয়া অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্কী শোল্লিবা মফমশিং অদুদা হেন্না প্রেসর পীননবা জর্মনিদা ট্রেনিং চত্থনবগীদমক একাদেমি য়ৌরক্লগা থবক পায়খৎলগনি হায়রি। সুভো পোল সুদেভা দেল্লী এফ সী একাদেমিদগী হৌখিবনি। লোয়ননা ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী শান্নরোয় অমসু ওইখি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE

## PUZZLE NO. 143



**Svidler, Peter (2723) - Carlsen, Magnus (2863)**
**FIDE Steinitz Mem Open chess24.com INT (10), 2020.05.16**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.e4 e5 | 2.Nf3 Nc6 | 3.Bb5 Nf6 | 4.d3 d6 | 5.O-O Be7 |
| 6.c3 O-O | 7.Re1 a6 | 8.Ba4 Re8 | 9.Nbd2 b5 | 10.Bc2 Bf8 |
| 11.d4 Bb7 | 12.a4 Nb8 | 13.Bd3 c6 | 14.b3 Nbd7 | 15.Qc2 Qc7 |
| 16.Bb2 Nh5 | 17.Bf1 Nf4 | 18.g3 Ne6 | 19.b4 Nb6 | 20.axb5 cxb5 |
| 21.d5 Nd4 | 22.Nxd4 exd4 | 23.c4 Rac8 | 24.Bxd4 Nxc4 | 25.Nxc4 bxc4 |
| 26.Rac1 f5 | 27.Bh3 fxe4 | 28.Bxc8 Rxc8 | 29.Qxe4 Qf7 | 30.Qg4 Qxd5 |
| 31.Qe6+ Qxe6 | 32.Rxe6 Kf7 | 33.Re3 Bd5 | 34.Bc3 Bc6 | 35.Ra1 Ra8 |
| 36.Rae1 d5 | 37.Rf3+ Kg8 | 38.Re6 Rc8 | 39.Rf4 Bb5 | 40.h4 Rd8 |
| 41.Rb6 Bd6 | 42.Rg4 Rd7 | 43.h5 h6 | 44.Rg6 Bf8 | 45.Bd4 Bxb4 |
| 46.Rb8+ Kh7 | 47.f4c3... | | | |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 142 Ans. :**
27. ...Bxa4 The black bishop clears the way for Black's rook to the square c4. 28.bxa4 Rc4 29.Bd6 Rxa4+ 30. Ba3 Be7 Mating net The black bishop attacks White's bishop, which is pinned. 31.g3 Rxa3#Lawnmower mate
27. ...Kf8 28.Bd6+ Ke8 29.c4dxc4 30.Rxc4Rb6 31.Rdc1 Kd7 32. Bf4 Bb7 33.Rxc8 Bxc8 34.Rc7+ Kd8 35.Rc5e5 36.Be3 Be6 37.Rc3 Kd7 38.Bxb6

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com